ꯍꯣꯂꯤ ꯃꯦꯟ

হোলি মেন

HOLY MAN



(King Gambhir Singh)



Dr. ...uren Meitei

আওবিয়া ফুলো মৈতৈ

(মৈতৈ অপোকপা মরূপ হৌদোকপীরবা)



ꯍꯣꯂꯤ ꯃꯦꯟ

হোলি মেন

Holy Man



Dr. Ak. Dhiren Meitẹi

Holy Man

Published by : **Konsam Premkumar Singh**

By : **Dr. Ak. Dhiren Meitei**

First Edition August, 2012
Copies 500

Price - Rs 75/-

Printed at Kangla Printers Governor Road Imphal, Manipur

"মীবু শেম্বীবা ওম্বা Man-Making, ঙাকপিবা ওম্বা Forgiveness, ধর্ম্ম (Dharma) লৈবা মীওইশিংদা কথোকচবা লাইরিক"

Acknowledgement

লাইবিক অসিবু Print তৌনবা অমদি Publish তৌনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং. অচৌবা মতেং পীবিবকখিবা ঐগী নুংশিজনবা মকপ Ningombam Babu Singh বু থাগৎচবি। লাইবিক অসিবু অফবা, অচুম্বা চৎনবা যাবা লাইরিক অমা ওইনা পুথোক্নবা হোৎনবদা Suggestion কয়া পীবিবকখিবা Konsam Premkumar Singh বুসু থাগৎচবি।

PUBLISHER'S VIEW

হোলি মেন (Holy Man) হায়না মীংথোনবা একে. ধীবেন মৈতৈনা ইবা লাইবিক অসিদা হোলি ওইবা, legend ওইবা মী ওই কযাগী Ideal ওহবা পুন্সি রাবি, মখোয়না পাংথোক্লম্বা থবকশিং অমদি মখোযনা পীবম্বা কান্নববা পাউতাক কযা যা ওবি। পাউতাকশিং অসিনা ঐখোযনা হৌজিক হিংলিবা পুন্সি অমদি ভুংদা লাক্কদবা মীবোন্দা কান্নবা পীবতা নত্তনা অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবিবা অমা শোইদনা ওইগনি। লাইবিক অসিদা যাম্না মকওইবা অমদি মীতৈ কাংলুপকী লাইনিং- লিচৎ চৎন- পথাপ **"APOKPAMARUP"** অমদি **"Sanamahi Religion"** নৌহৌননা হিংগৎহনলম্বা, মৈবা চুখৎপীবম্ব' Pioneer নাওবিযা ফুলো মীতৈনা মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা, অচৌবা থৌদাং অমা পাংথোক্লম্বা অসিনি। মী ওইবা জাতি অমা/কাংলুপ্ অমা হাযবগদি মদুগী লাইনিং- লিচৎ, চৎন পথাপ লৈবা তাই। লাইনিং লিচৎ, চৎন- পথাপ লৈবগদি জাতি কাংলুপ্ অদুগী চাওথোকচনিংঙাই ওইবা মগুণ লৈবা তাবনি। মীতৈ পুযাদা যাওবিবা লাইনিং লিচৎ, চৎন পথাপ খবদি - **পুক্নিং রাখল রাবক্তবা য়াদে, মীওইবগী চৎন- পথাপ্ কাইনা চৎপা য়াদে, য়াহিপ্ ফম্ফম চুমদবা য়াদে, অশেংবা চিঞ্জাক চাগনি, ইবোল ঙাংগনি, য়েক থিগনি, লাইবিক মহে-ইহে তানগনি, ইশানা ইশাবু লাইয়েংগনি, লন- থুম তানগনি মীওইবা ওইবগদি ইনাক খুনবা তানগনি, মীগী মতেং পাংবা ঙমগনি, লাইগী লম্বী খুভম তানগনি**, হাযবশিং অসে মী ওইবা অমা ওইনা হিংনদা তৌগদবা থৌদাং ঙাক্তনি। অতেপ্পা কাংলুপ জাতি কযাগী লাইনিং লিচৎ, হোলি ওইবা মীশিংগী পুন্সি বাবি অমদি মখোযগী পাউতাকশিং কযাসু লাইবিক অসিদা নিংশিজনা ইবি। পুন্নমক অসি ঐখোযনা খংন্দা জ্ঞান হেন্না ফংবা ওইগনি। লাইবিক অসিদা ঐহাক্কী ওইবা বাফম অমা পঞ্জবা তানগাদ - Society অমা হাযবসি মী ওই কযানা পুল্লগা শেম্বনি। অফবা Society অমা হাযবগদি সোসাইটি অদুগী মনু, চল্লিবা মীওইশিং অদু অযাম্বনা (Masses of people) অফবা ওইবা তাবনি। মীওই ১/২ খক্তা অফবা ওইবগা সোসাইটি অদু অফবা হাযবদু ওইবা ঙমদে। এখোযগী মৈতৈ সোসাইটি/মীতৈ ফুলপ অফবা চাওখৎপা, অকনবা, শান্তি লৈবা অমা ওইগে হাযবগদি ঐখোয পুন্নমক পুকচেল শেংবা, অমত্তা ওইবগী রাখল্লোন অমা (Oneness & Openess of mind) দবকাব যাম্না ওই। নুংশিনবা অমদি মান্নবা রাখল্লোল অমা পুবক্রবা হোৎনবদা মীতৈ জাতি ঐখোযগী ওইবা থাজবা Faith and religion গী foundation অমা strong ওইহনবা তাই। Religious Foundation ওইবগদি ঐখোযনা

তৌগদৌবিবা থবক অদুসু স্পিবিচুয়েল শোযদনা ওইগনি। থবক অমা তৌবা মতমদা পুকচেল শেংবা Sincerity & spiritual foundation ওইবগদি মহৈ চাগনি, মায় পাক্কনি। জাতি/ফুরুপ অমা মপাঙ্গল কল্লি হায়না তাক্লিবা ঙস্লিবসি ফুরুপ অদুগী মপাঙ্গল কনবা Spiritual Foundation ননি। Spiritual Foundation লৈবা ফুরুপ কৈদৌনুংদা মাংথবা ঙম্লোই। মসিগী খুদম অমা তাকপা তাবগদি অকনবা যুম বিল্ডিং অমা শাগে হায়বগদি Iron & steel গী অকনবা RCC foundation লৈবগদি য়ুম বিল্ডিং অদু কৈদৌনুংদা collapse তৌবোই। (As the scripture says : A house is built on a strong hard rocky foundation; when rain poured down; the rivers overflowed; the wind blew hard against that house & it does not fall, because it was built on hard rocky foundation) স্পিবিচুয়েল ফাউন্দেসন লৈত্রগদি অবানবা লাক্কনি, মায় থিগনি, লৈখা তাগনি। মীতৈ সোসাইটি অসি Growth and development গী মাইকৈদা অতোপ্পা ফুরুপশিংদগী চাং তাহৌদনবা হোৎনবা মথৌ তাই অমসুং ঐখোযগী ওইবা New hope and spiritual faith অমা থম্নবা হোৎনসি। Spiritual faith, Faith in truth, Faith in Religion লৈত্রগদি অবানবা লম্বীদা হেক্তা চৎপা যাওই, হেক্তা থিংবা রাই। Spiritual Faith থম্বগী য়াম্না কান্নবা খুদম অমা হাযবগদি "Christ না মহাক্কী মপা ঈশ্বর Father in Heaven দা থাজবা Faith থম্বা ঙম্বনা অঙক অঙকপা miracle ওইবা থবক কয়া মালেম অসিদা পাংথোকপা ঙমখি। মসিগী মতুং তাবকপদা Christ কী মতুং ইনবা মীওই কয়ানসু Lord Christ তা থাজবা থম্বা ঙম্বনা অঙক অঙকপা থবক Healing touch কয়া পাংথোকপা ঙমখি। অবোইবদা ঐহাক্না পঞ্জনিংবদি - মালেম জাতি কয়াগী মমাংদা মীতৈ ফুরুপকীসু তৌবা ঙম্বা Challenge অমা উৎপা ঙম্নবা হোৎনসি। জাতি কাংলুপ খুদিংমক নুংশিনবা ঙম্নবা হোৎনসি। অইবনা মখাতানা তুংগী নহাবোলশিংগীদমক্তা অমদি অফবা Society অমা শেম্বা ঙম্নবা, জ্ঞান পীবা ঙম্নবা কান্নববা লাইবিক কয়া ইবিবকখিগনি হাযনা ঐহাক্না থাজে।

Imphal
1st August, 2012

Konsam Premkumar Singh
Thangmeiband, Maisnam
Leikai, Imphal

PREFACE

"হোলি মেন" (Holy Man) হাযনা মিংথোনবা লাইবিক অসি মকুওইনা ইজবগী মবম খবদি- হৌজিক্কী ওইবক্লিবা, হোংলক্লিবা Changing World Environment অসিদা মীওইবা অযাম্বনা মশাগী জাতিগী ওইনা লৈজবা অশেংবা Culture, Tradition, Ethical & Spiritual গী ওইবা অচুম্বা নিযম- নিতি, লমচৎ শাজৎ, চৎন- পথাপ্, Moral Discipline কযা খণ্ডদদুনা, কাওথোক্তুনা অবানবা চুমদবা Unethical, Immoral practices ওইবা পুন্সি লম্বীদা হেক্তা চৎলি। মসিনা Human value হন্থবকই। অদুগা মীওইবশিংগী মবক্তা অমগা অমগা থাজনদবা, যেৎনবা খৎনবা প্রোব্লেম কযামুক থোক্লকই। মীওইবা জাতি কাংলুপশিংগী মবক্তা শান্তি লৈনা, অহিংসা ওইনা নুংশিননা ঈংনা চিক্লা পানগে, চাওখৎপা সমাজ অমা ওইগে হাযবগদি মাগী মাগী জাতিদা পোক্লম্বা হোলিমেন ওইখ্রবা মীওইশিংগী পুন্সি ব্রাবি অমদি মখোযনা তাকপিবম্বা পাউতাকশিং অদু খন্ন নৈনবা, জ্ঞান তামিন্নবা, অচুম্বা লৌশিনবা দবকাব ওই। মখোযনা তাকপিবম্বা পাউতাক স্ক্রিপচবশিং অদু খন্ন- নৈনবা মতমদা অচুম্বা জ্ঞান অমা ফংবা ঙমদুনা ঐখোযগী পুক্লিং বাখল হকচাং অসি শান্তি ওইনা লৈবা ঙমগনি। ঐহাক্লা লাইবিক অসিদা হোলিমেন ওইবা মীওই খবগী পুন্সি ব্রাবি, মখোযনা থেংনখিবা অর া- অনা, মায পাকপা অমা ওইখিবা অমদি মখোযনা তাকপিবম্বা কান্নববা পাউতাক স্ক্রিপচর্বাশিং লাইবিক অসিদা খুদোল তমজবি। অবোইবদা লাইবিক অসিবু পার্বিবিবা মীওইশিংনা লাইবিক অসিদা যাওবিবা হোলি স্ক্রিপচর্বশিং অসিদগী ইশাদা কান্নবা খব লৌশিল্লগা অমদি ইশা ইশাদা প্রাক্টিস তৌদুনা কান্নবা ফংবা ঙম্লগদি অইবা ঐহাক্লা লাইবিক অসি ইজকুবগী মমল হঞ্জিনলে হাযনা লৌজগনি।

Thoubal, Dr Ak Dhiren Meitei
1st August, 2012

SALUTATION TO GOD !

Oh, God! the giver of wisdom;
Mercy to us, Your lowly children;
Save us always from sins.

Oh, God! the ocean of mercy;
Grant the refuge of your feet;
Protect us always with your compassionate face;
Lead us from unreal to real,
Guide us from darkness to light;
Raise us from death to immortality

Oh God! Reveal yourself to us,
Protect us always with your infinite power,
we may become free, divine and infinite

Dr. Ak Dhiren Meitei -

CONTENTS



নিংথৌ গম্ভির সিংহগী মুর্তি (কোনুং লংথবাল)

গম্ভিব সিংহনা অৱানা চহি ৭ খুন্তাক্লম্বা (7 years' Devastation in Manipur) অদু Chindwin river (Ningthi Turen) ফাওবা তাম্থোক্লম্মী।

Chapter - 1

সনামহি রিলিজন এন্দ নাওরেম ফুলো মীতৈ

সনামহি ধর্ম্ম হায়বা অসি মৈতৈ/মীতৈ কাংলুপকী মমাংঙৈদগী লৈরম্লবা অরিবা রিলিজন অমনি। হৌজিক হৌজিক সনামহি রিলিজন চৎপা মীওই কয়ানা কন্না হোৎনদুনা মৈতৈগী অরিবা ইয়েক-শলাই, পুইয়া পুথোক্লে। পুথোক্লিবা মযেক-ইয়েকশিং অসি ছাত্র-ছাত্রিশিংদা তম্বীদুনা ক্লাস VIII ফাওবা চৎহনবা, popularisation তৌবা হৌরে।

সনামহি ধর্ম্মবু হিংগৎহন্নবা অমদি মসিবু শন্দোক্নবা হোৎনখিবা, লমজিং মৈরা চুখৎপিরম্বা, অখক্লবা মীশক Pioneer অমা হায়রগদি নাওরেম ফুলো মীতৈ ওইগনি। ইপা-ইপুগী হৌরকফমবু লাইফম্নি হায়না নিংজবা, ইবোন-ইনাৎ, লিচৎ পুইয়া-পুরাবিনচিংবা পুম্নমকপু কঞ্জবা পাম্বা মীশক অমা ওইবনা লৈবাক মীয়াম্না নাওরেম ফুলো মীতৈবু "লাইনিংহল" হায়না মীংথোল পীবিখি। নাওরিয়া ফুলোনা পোত্থাবা লৈতনা হোৎনদুনা শিদ-হিদাক খিকপিদুনা নহৌননা মীতৈ/মৈতৈগী য়েন্নীং অমুক হন্না হুনহনবিরকখি।

অৱা লান্দা মাইথিদুনা মতম অমদা মণিপুরদা চহি ৭ চুপ্পা খুন্তাৰ্কখি। মতম অদুদা থাংমৈবন্দগী লাঞ্জেনখিদুনা কাছার জিরিবোনগী লাইশ্রম খুন্দা নাওরেম ফুলো মৈতৈ ইংশোক খৃ: ১৮৮৮ অগষ্টকী তাং ২৮দা পোকখি। শাৱোং-শবান্দা ফুন্দ্রেনা খেত্তুনা শাবগুম নিংথিজৈ হায়দুনা মবুবোক্লা ফুন্দ্রে হায়না কোলোইখি (মিং থোনখি)। মহে তম্বা হৌরকপদা স্কুল ওঝাশিংনা লাইনিংহলবু লৈরাংগী মতৌগুম নিংথিজৈ হায়দুনা ফুল সিংহ হায়না মিংথোল তম্বীখি। ঙসিদি

মীযাম্না ফুলো হায়না মীংগৌনখ্রে। ফুলোনা নহা ওইবিঙে এলপি, অপব প্রাইমাবি, মিডল স্কুলনচিংবা ক্লাসশিংদা অথোইবা অমা ওইনা লাকখি। খৃ: ১৯১৪ দা গভর্নমেন্ট ভিকটোবিয়া মেমোবিয়েল হায স্কুল হাইলাকান্দিদগী মেট্রিক পাস তৌখি। চহি অসিমক্তদা স্কুল অসিমক্তদা এসিসটেন্স টিচব ওইনা থবক চংখি। খৃ: ১৯১৮ দা মহাক্না বেলব্রে পোলিস সার্ভিস্তা সব-ইন্সপেক্টব পোষ্ট পাযখি। গভর্নমেন্ট সার্ভিস তৌবিঙে মতমদা বেঙ্গল্লি মরুপ-মপিজা কযানা ফুলোদা লক্লবা-কবেম্নবা কযা তৌনকখি- **"ফুলো মরুপ! নশাগী নরোলনা মহে-মশিং তম্বা য়াদবা? ময়েক লৈতব্রা? মৈতৈগী অচৌবা-অচংবা থৌরমশিংদা বঙ্গল্লি, সংস্কৃট লোন্না শকচা-শোল্লিবা তৌরিবা করিগীনো? নখোয়গী লাইনিং-লিচৎ লৈতব্রা?"** অসি গুম্বা ৱাহৈশিং অসিনা মঙোন্দা তাশোন্না থিনবা ওইনা থোকখি। মীতৈ ইশাগী লোন ইযেক, লাইনিং-লিচৎ, তিনখোং-লাইখোং থিনিংবগী ইথিল অমা নাওবিবা ফুলোদা ফাওবকখি। মীতৈবু ফাজিন্দুনা থল্লিবা লাংলৌ-লাং অসিদগী নাম্থোক্লবা নাওবিবা ফুলোনা শাবৌ-লাল্লোং থিবা হৌবকখি। মপানগী মীগীদা মপান তাংজবা হাযবসি নিপামচাগী থৌদাং থোক্তে। ইশাগী ইবোল-ঈনাৎ চৎপা, যোকখৎপা, পুখৎপা চুম্মি হাযবা অসিনা লেংদবা লাইনিং ওইদুনা চহি ৭ অপাম নুংশি থাদোক্লুন' কংলৈপাক মণিপুবগী লাইফম তিনফম কযা কোযনা চত্তুনা কুপ্পা থিজিনবা হৌবকখি। মহাক্না Sanamahi Religious Movement অমা মপুং ফাবা মহে যানবা অমা ওইনবা হোৎনবদা মহাক্না পাইবিক গভর্নমেন্টকী পোষ্ট পোলিস সব-ইন্সপেক্টবগী ফম থাদোকখি। মীতৈগী লাইব্রোই-মী ওই অহল কযা থেংনদুনা ৱাবি-ৱাখোং কযা ফংখি। খৃ: ১৯২৮ দা ইনিংথৌ সাব চুবাচান্দগা আসামগী মালিগাওন বেলব্রে ষ্টেসন্দা অতিং অমা মীতৈগী হৌবকফমগী মবমদা ৱাবি শান্নখি। মীতৈ লোন অমসুং মীতৈ মযেক্না মহে তমজবা যান্নবগী হাযজ-চেবোল্ অমসু ইনিংথৌদা লানখৎচখি। ইনিংথৌনসু মপুং ফানা শৌগৎপিদুনা থাগৎপিখি। ইনিংথৌগা উন্নখ্রবা তুংদগী মহাক্না পুক্লিং হেন্না চেৎশিনখি। মহাক্না মহাক্কী পোক্লফম কাছাব লাইশ্রম খুন্দা লাক্তুনা অহল-লমনশিংগী মফমদা মীতৈগী হৌবকফমগী ৱাবি লিদুনা পুন্নমক তমখি। মহাক্না অহলশিংদা ইপা-ইপুগী থৌগল তৌজবা অমদি চৎলম্বা লিচৎশিংবু ৱাক্না চৎপা হাযবা অসি তাইবং লিচৎ ওইগনি হাযনা পাউদমজখি। ইপা-ইপুশিংগী হৌবকফম্বু লাইফমনি। শাগোন্নবক্লবা লাইনিং-লিচৎ পুম্বা ইমাবোন্না তৌফম

থোকই হাযবা ফিবেপকী ব্রাবি লিজখি। মহাক্কী মযেক শেংলবা বাবি লিখুন তাজবা পাম্বা মীশিং- নোংম- নোংমগী হেনগৎলক্তুনা আসামগী মফম কযা, কাছাব, ত্রিপুরা অমদি মণিপুরগী মীযাম কাংবু কাংবু লাক্লখি। ইপা- ইপূশিংনা চৎলম্না অশেংবা মীতৈগী যেক- শলাযগী ওইবা লাইনিং লিচৎ ঙাক্লবা মহাক্কী খোংলোই খবগা লোযননা ব্রাশক- বাবেপ্ লৌদুনা ইহান হানবা ওইনা **"অপোকপা মরুপ" (APOKPA MARUP)** কৌবা লাইনিংবগী অপোকপগী লাইশঙশিং খৃষ্টগী চহি ১৯৩০ দা লিংখৎখি। অপোকপা মরুপ লিংখৎপনা মবম ওইদুনা জিবিবোলগী সভানা মহাক অমসুং মহাক্কী লোইনবশিংবু মাংঙি হাযদুনা ইস্থোকখি। অদুবু মহাক্কা তৎপা লৈতনা থৌনা লৈনা নিংহন্নবা তৌদনা মীতৈগী লিচৎ যোকখত্তুনা শন্দোক্লবা হোৎনখি। খুঙ্গং খুঙ্গং, লৈকাই- লৈকাইদা চত্তুনা মীতৈ লাইনিং- লিচৎকী মপুংফাবা অচুম্বা অশেংবা ফজববা পাউজেল শন্দোকখি। মসিনা মবম ওইদুনা কাছাব অমসুং জিবিবোনগী অঙম্বশিংনা মহাকপু হাৎনবা অবোনবা থৌবাং লৌখৎখি। তমথিববা মীওই কযানা মতিক চাবা খুৎলাই পাইদুনা হাৎনবা থৌবাং তৌখি। অদুমকপু মহাক্কী শকফম উবমক্তদা মখুত্তগী খুৎলাই তাখিবা শঙনখিদে। মমৈদা মখোযনা নৌবিযা ফুলোগী মফমদা চংজদুনা মনাই ওইনা লৈজখি। কাছাব জিবিবোলগী ব্রহ্ম সভানা খৃ: ১৯৩৬ তা অনিশুবা নিখিন হিন্দু মণিপুরি মহাসভাগী শিলচবদা ফম্বা মীফমদা নাওবিবা ফুলোনা হিন্দু লাইনিংগী মাইযোক্তা থবক তৌই হাযনা বাকৎখি। মদুনা মবম ওইদূনা মীফম অদুদা ফুলোবু কৌখৎখি। নিংথৌ চুবাচান্দনা মযাই তাংবন্দা লৈতেংদুনা মীশিং শুনা তিনলিবা, অঙম- অথৌ কযানা চোন্না তিনখ্রবা মীফমদা হিন্দু ধর্ম্মগী মাইযোক্তা কবিগী তৌবিবনো হাযদুনা ফুলোদা ব্রাহে কযা হংখি। নাওবিযা ফুলোনা যাম্না চম্না ইমালোন্দা শকচা- শোঞ্জবনি। লাইনিংগী মাইযোক্তা লৈজদে হাযনা খুমখি। পাউখুম তাবদা মীফমগী মবক্তগী শ্রীললিতা মাথব শর্ম্ম অমসুং শ্রীভংকা বিহারি শর্ম্ম অনিনা চোংথোক্তুনা ফুলো বাবুনা তৌবিবসি চুম্মি হাযনা শৌগৎপিখি। মসিগী মতুংদা খৃ: ১৯৩৯দা ইনিংথৌ কুল্লচন্দ্রগী মশু ইবুংঙো টিকেন্দ্রনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না নাওবিযা ফুলোগী লাইব্রা- লাইবোল, ব্রাবেং শৈবেং মৈতৈগী হৌবকফমগী ব্রাবিবু পুক্লিং চংনা তাববা তুংদা থাবুং পুণিমাগী মীফম অমদা ফুলো মীতৈনা মাংলুববা ইবল পুম্বা নৌহৌননা পুথোক্তুনা শিজিন্নবগীদমক লাইবু মশক খঙবা অহানবনি হাযনা মিংথোল পীদুনা ইকায খুম্নখি।

লাইনিংহলনা **অপোকপা মরুপকী লাইনিং লিচং ঙাক্লবা লাইনিং খুদা নিপাল অমদি তাইবং মীনা চংকদবা পখাপ্ তরানিপাল শুগাইনা ইদুনা থম্বীরম্মী।** মীতৈ লৈবাক্তা লৈবা খিবিক খিঙিনবিদুনা ৱাবেং শৈবেং লাইবিক ১৯ বোম ইদুনা থম্বীবম্মী।

অপোকপা মরুপ্ লিংখৎপনা তাক্লিবদি মসিনা মমাংঙৈদগী চংনবকপা অমদি হৌজিক ফাওবগী চংনবিবা মীতৈ বিলিজনগী কলচব ইনাৎশিং অদু মযেক শেংনা চংহনবা অমদি মসিবু চাওখৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইবা অদুনি। অপোকপা মরুপ লিংখৎপা শেমগৎপগী ৱাখলনা মাংওইনবগা নাওবিযা ফুলোনা **মীতৈ কদায়দগী হৌরকই, মীতৈগী** Customs, tradition, religious belief, rites and rituals **হায়বনচিংবা লাইরিক কয়া ইদুনা থম্বীরম্মী। লাইরিক খরগী মমিংশিংদি 'মীতৈ হৌফম' 'তেংবানবা অমসুং লাইনিংথৌ লাইপাও' '**ঐগী ৱাবেং' 'পামহৈবা' অসিনচিংবনি। পুন্নমক্কী মথক্তা **শাকোক্ থিরেল** কৌবা হৌবকপগী পুইযা (হোলি বুক) সু থিজিন খোমজিন্দুনা নৌহৌননা থম্বীবম্মী। শোখববা মীতৈ খুনাইবু মালেমগী চাওখৎলবা খুনাইলক্তা তিনবা ৬ম্নবা লৌশিং ফংবা ৬ম্নবা মহৈ তমহন্নিংবগী ৱাখল অহল ইবুংঙোনা থম্বাবম্না লাইবিকশিংদা মম্মি তাবি। শেলমিংলোন্ চাওখৎহন্দবা যাদে হায়নসু লাউবিবম্মী।

কাছাবদা মীতৈগী অপোকপা মরুপ লিংখৎলে হাযবনচিংবগী পাউ কযা অমা মণিপুব লৈবাক্তা তানবা খঙনবা হৌবকখি। ইংশোক খৃ: ১৯৩৫দা মণিপুবদা লৈবা সনামহি ধর্ম্মবু পামজবা চৎচবা মীওই কযা কছাবদা চত্তুনা নাওবিযা ফুলোগা সনামহি বিলিজনগী মবমদা খন্ন- নৈনখি। মখোযনা নাওবিযা ফুলোনা ঙাংবা মীতৈ ধর্ম্মগা (সনামহি) বাহৈ- ৱাতা স্ক্রিপচবশিং তাববা মতুংদা অপেনবা নুংঙাইবা পোক্লবা মতুংদা সনামহি বিলিজনগী Follower ওইখি।

সনামহি চৎলবা মীওইশিং অসিনা কাছাবদগী হল্লক্লবা মতমদা, নাওবিয়া ফুলোগী লমজিং মখাদা মণিপুবগী মফম পুন্নমক্তা মমাংঙৈদগী লৈবল্লবা মীতৈ ধর্ম্ম (সনামহি ধর্ম্ম) অসিবু মীযাম পুন্নমক্না খঙনবা চৎনবা ওর্গনাইজ তৌবা হৌবকখি। ইংশোক ১৯৪৫ মেগী তাং ১৪দা নিযম চুম্না Formal ওইনা **মীতৈ মরুপ্** লিংখৎখি। মীতৈ মরুপ্ লিংখৎপা অসিনা মীতৈগী Tradition, Cutlure, Customary practices অমুক নৌহৌননা চৎহল্লে। অসুম্না কন্না হোৎনবকপদগী সনামহি বিলিজন অপি তম্পাক্তা লৈবা মীওই অযাম্বনা যাবা

অমা ওইবকখি। **ইংশোক ১৯৭৬ তা মণিপুর ষ্টেট এসেম্ব্লিনা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল এক্ট ১৯৭৬ তা পাস তৌখি।** ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ওডব অমগী মতুংইন্না লাইনিংথৌ সনামহি অমসুং লৈমবেল শিডবিগী মুর্ত্তিশিং কৈশামথোং মোইবাং নিংথৌ লৈবক্তগী পুবক্তুনা ইম্ফালগী পোলিস লেন্দ Police lane মনাক্তা লৈবা হাযিং খোংবাল টোলোং যুম্ফমগী লাইশঙদা হোংজিনখি। ইংশোক ২০০১ গী ইন্দিযাগী মীকোক থিবদা সনামহি ধর্ম্ম হাযবসি মশক খঙলবা (Recognised religion of Manipur) মণিপুবগী ওইবা ধর্ম্ম অমনি হাযনা রেকোর্ড তৌখি।

লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোনা থন্বীরম্বশিং :

মীওইবগী পুন্সিগী থৌদাং পাংথোক্লবা পাম্বে লাইনিং- খুদা নিপাল (৮) মশক তাকপা :

১) পুক্লিং ব্বারক্তবা য়াদে।
২) পখাপ্ কাইনা চৎপা য়াদে।
৩) য়াহিপ্ ফম্ফম চুমদবা য়াদে।
৪) অতাউবা লম্বী মরা তাহন্দবা য়াদে।
৫) তাইবংগী অপাম নুংশিগী ব্বাখল শামহন্দবা য়াদে।
৬) নিংবা অমা নিংদুনা চেংনা কোন্দবা য়াদে।
৭) নিংলিবদুগী মশক মওং লেপহন্দবা য়াদে।
৮) মরম পুম্নমকসি চপ্ চানা তিন্নগা লিচিং অমত্তা ওইনা থাক্লবতদা নিংনা উপালগী মথক্তা লৈরিবা উমুং চেক্লাদু ফাবা ঙমজগনি।

লাইনিং খুদা ৮ গী থৌদাং ওইননবা পখাপ্ ১৮ বু পীবিরম্বা (থম্বীরম্বা):

১) অহল ব্বাথং ঙাক্কনি।
২) ইশা মশক খংগনি।
৩) অশেংবা চিঙ্গাক চাগনি।
৪) অশেংবা ফিজেৎ শেৎকনি।

৫) ইরোল লোনগনি।
৬) য়েক থিগনি।
৭) মহৈ তানগনি।
৮) চাওথোকফরোই।
৯) অচুম্বা পথাপ্ ঙাক্কুনা চৎকনি।
১০) ইশানা ইশাবু লাইয়েংগনি।
১১) থৌরম খুদিংদা তত্তবা- তন্দবা ওইনম কনগনি।
১২) খুভম চাওফরোই।
১৩) লন তানগনি।
১৪) য়ারি তাশিনবগী মতিক পোৎলম্বু উৎননবা হোৎনগনি।
১৫) ইমা মশক খংগনি।
১৬) ইপা মশক খংগনি।
১৭) হৌফম শাৎফমগী অরেপ্পা খঙগনি।
১৮) লাইগী লম্বী তানগনি।

মতৌ অসুম্না মী ওইবা খুন্নাইগী তৌদবা যাদনশিং পাংথোক্লম্লগা কথোক্লম্লগা খৃ: ১৯৪১ ইঙাগী ৬নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা তাইবং থাদোকখি। লাইনিংহল ইবুংঙোনা কাছাব জিবিরোন্দা শিশ্রগসু মতাক্তা শৈথাবন্না পুন্নদি মণিপুব লৈবাক্কিনি। মতাক্তা **মণিপুরবু মীতৈ পোকপি, পলেম "মীতৈ লৈবাক" হায়না অরোইবা মীৎকুপ্ ফাওবদা চীংলোন্ মাপল্ য়াংমদা লেপ্পুনা তেংথারম্মী।**

"It is the nature of water to flow downwards, but the rays of sun lift it up towards the sky; Likewise, it is the very nature of mind to go to lower things, to objects of enjoyment; but the grace of God can make the mind go towards higher objects. -- Meitei Scripture –

মীওইবা অমা ওইনা পোক্লগদি লাইরিক ইহৈ তানগনি,
লন থুম ইনাকখুনবা তানগনি, মীগী মতেং পাংগনি,
লাইগী লম্বী, অরাম খুভম তানগনি।

– Ak. Dhiren Meitei –



নাওরিয়া ফুলো মৈতৈ

(খৃঃ ১৮৮৮ - ১৯৪১)

Chapter - 2

শ্রীরামাকৃষ্ণ

(১৮৩৬- ১৮৮৬)

কোলকোট্টা সিটিগী নোংচুপ থংবা লোমদা মাইল [illegible]০ চৎলগা লৈবা কা[illegible]পুকর (Kamarpukar Village) কৌবা খুঙ্গং অমদা ইং[illegible]শাক ১৮৩৬ [illegible]বর্নবগী ৩, ১৮, শু[illegible] জকৈশা [illegible]মি[illegible] শ্রীরামাকৃষ্ণ পোক[illegible]খি। রামাকৃষ্ণ যাম্ল [illegible] চুম্ল চংপা, মাকে অ[illegible]মৌ [illegible] খুঙ্গংগী পান্স মবেল তামা ওইনা [illegible] অর্থাৎ ওইবৈদে মত[illegible]দাদ গাডা[illegible] [illegible]য়াম্না [illegible] ওইনা [illegible]। অর্থাৎ ওইবৈদে [illegible]লগা [illegible] ঈশ্বরবু [illegible] জনা [illegible]। ঈশ্বরগী [illegible] [illegible]চম্না লম্বা [illegible] চৎপা [illegible] পুম্বনা গাডা[illegible] "রামাকৃষ্ণ" [illegible] [illegible] খোনাখি, [illegible]কৌনাখি। রামাকৃষ্ণ অর্থাৎ ওইবৈদে মতমদা লাইরিক [illegible] [illegible]বায় কপা [illegible]ওখিদে। লাইরিক লাইশু [illegible]গী [illegible] [illegible] ওইবা [illegible] কল্লক মিহৌবা, অকে অমৌ পুম্নমক [illegible] [illegible]। মোঙ্ক (Monk) [illegible] ওইনা ঈশ্বরগী ওইবা [illegible] চত্তুনা লাইনিংবা [illegible] সয়েপ[illegible] [illegible] ফাম্মন্নদুনা ঈশ্বরগী ওইবা, সংসারগী ওইবা [illegible] (Secret truth) [illegible]চুম্বা [illegible]হবম কযামুক্তী ৰবমদা বাদি বাতাই শাম্মৈ।

রামাকৃষ্ণ চহি ১৭ শু [illegible]কপা মতমদা মমা মপানা মচাকপু অরাংবা [illegible] লাইরিক- লাইশু তমহংরবগীদমক্তা কোলকোট্টা সহরদা পুরক্তুনা লাইরিক তমহনবা হৌখি। কোলকোট্টা সহরদা লাইরিক নিংথিজেনা তম্বদসু [illegible] কয় যাওখিদে। মেটবিয়েক্টী ওইবা লাইরিক লাইশুগী তম্বগী মওং মতৌ হায়বদি ব্রান্ডলি নোলেজ তানবগী মওং অসিনা মপুং ফাবা লাইরিক ইডুকেসন অমা ওইদে

হায়বসি বামাকৃষ্ণ। খন ২। মতমশিং অসিদগী বামাকৃষ্ণনা স্কুলগী লাইব্রবক তম্বা থাদো ... পবিচুযেলগী ওইবা জ্ঞান ফংনবা হোৎনবা হৌখি। মহাক্না মশাদা ... স্পবিচুযেলগী নোলেজ খক্তনা মপুং ফাবা জ্ঞান অমা ওইগনি। মসিনা ... বোডি, মাইন্দ, সোল পুম্নমকপু মপুং ফাবা শান্তি থম্বা ইটর্নেল পিস Eternal peace থম্বা ঙমগনি।

মফম অমদি মতম্না পুনকপা যাউওনগী মতুংইন্না বামাকৃষ্ণনা কোলকোট্টাদা লৈবা কালি টেম্পলগী প্রিষ্ট Priest অমা ওইদুনা লৈবে। কোলকোট্টাগী দখিনেশ্বরদা (Dakshineswar) লৈবা কালি টেম্পল অসি বানি বাসমনি কৌবা যাম্না অচুম্বা চৎপা, লুখ্রাবি অমনা লিংখৎলম্বনি। বানি বাসমনি ইনাকখুনবা ওইবনা কালি টেম্পলগী থবক থৌবম খুদিংমক নিংথিজনা শেমগৎ শাগৎলম্মী। বামাকৃষ্ণগী শাফম পুকচেল, ঈশ্বরদা থাজবা থম্বা, ঈশ্বরগী অচুম্বা লম্বীদা চুম্না চৎপা মবম্না বানি বাসমনিনা কালি টেম্পলগী থবক থৌবম খুদিংমক বামাকৃষ্ণদা শিন্নবম্মী। ঈশ্বরবু নিংজবা খুকমজবা মতুংদগী তপ্না- তপ্না ঈশ্বর ইমাগী (Divine Mother) শক্তম উবা বামাকৃষ্ণনা পাম্লক্লে। মহাক্না অযুক নুংথিল খাক্তনা ঈশ্বরবু খুকমদুনা, মেডিটেট তৌদুনা ডিভাইন মাডবগী মওং মতৌ মগুণশিং অদু মপুং ফানা খংনবা হোৎনবক্লে। ডিভাইন মাডবগী অশেংবা শক্তম মওং মতৌ খংনবা হোৎনবদা মহাক্না চাবা থকপা খাজক্তা চাদুনা, খজিক্তা তুমদুনা লেপ্পা লৈতনা খাংবা কন্না থাজবা অমগা লোইননা কন্না হোৎনবদগী অবোইবা মতমদা ঈশ্বর ইমাগী (Divine Mother) মওং মতৌ মগুণ (Vision of God) ফংবা ঙমখি।

বামাকৃষ্ণনা ঈশ্বরগী মওং মতৌ খংলবা মতুংদা স্পিবিচুযেল প্রাক্টিস তৌবা হৌখি। Hinduism, Christianity, Islam ধর্ম্ম কযাগী খেৎনবা লম্বী লৈবগসু ঈশ্বর হায়বা অদুদি মান্নবা অমখক্তনি হায়বা মশক খংবা মহাক্না ঙমখি। ধর্ম্মগী লম্বী কযাদা মহাক্না ঈশ্বরগী নুংঙাইবা Divine bliss ফংবা ঙমখি। কবিগুম্বা মতমদা "ঈশ্বর অমাদৌনা" ঈশ্বরদা পুবা লুপ্পা ঙম্মী, ডিভাইন মাডবগী মচা অমাদৌনা লৈবা ঙম্মী। অসিগুম্বা experiences অসিদগী মহাক্না হায়, "ঈশ্বর হায়বসি অমাখক্তনি, ঈশ্বর অমাখক্তদুদগী ঐখোয় পুম্নমক অসি শেম্নকপনি।"

বামাকৃষ্ণনা স্পিবিচুযেল লম্বীদা চৎলকপা, ঈশ্বরগী নুংঙাইবা ডিভাইন ব্লিস্তা নুংঙাইজবা অসিদা মীওই খবনা অসুম্না লান্না ঙাংনবা অমা হৌবে মদুদি- "বামাকৃষ্ণ ঙাওবে, মীওইবনা চৎপা হ্যমেন নোচবদা চক্রে, মীগা মান্নদ্রে।" হায়বিবা অবানবা

পাউ অসি মহাক্কী পোক্লফম খুঙ্গংগী লমদম কামপুকর য়ৌরে। রামাকৃষ্ণগী অঙাওবা হ্যুমেন নেচরগা মান্নদবা অসি ফনবগীদমক মহাক্কী মমা মপা, ময়াম্বশিংনা মহাকপু শ্রীসরডা দেবী কৌবি য়াম্না চুশ্বী অশেংবী লাইনিংবী খুঙ্গংগী নুপী ওইবী অমগা লুহোংবিরে। রামাকৃষ্ণনা লুহোংদুনা লৌরিবা নুপী সরডা দেবী অসি হৌজিক্কী মীয়াম পুম্নমক্না খংনরিবা **"হোলি মাডর"** রামাকৃষ্ণ মিসনগী হোলি মাডর অদুনি। রামাকৃষ্ণনা সরডা দেবীগা লুহোংদুনা লৌরিবা লৈমিন্নরিবা অসি অঙকপা অমনি। শ্রীরামাকৃষ্ণনা শ্রীসরডা দেবীবু মহাক্কী নুপী অমা ওইনা লৌদ্রি। সরডা দেবীবু ঈশ্বরগী ওইবা ইমা **"ডিভাইন মাডর"** অমা লৌরি, নিংলি worship তৌরি। নোংমা রামাকৃষ্ণগী মখোং মখুৎ পাইদুনা সেবা তৌবা মতম অমদা হোলি মাডর সরডা দেবীনা রামাকৃষ্ণদা ব্রাহং অমা হংলম্মী, "নহাক্না ঐবু কবি হায়না য়েংঙি, উই?" শ্রীরামাকৃষ্ণনা পাউখুম পীরকই, "নহাক অসি কালি টেম্পলগী ইমা অমা ওইনা উই, কালি টেম্পলগী ইমানা ঐগী থৱায় হকচাংবু পোকপিবা, ইমা অমাদৌনা চপ্ মান্ননা উই। তশেংনমক ঐনা নহাকপু ঈশ্বরগা চপ্ মান্নবা ডিভাইন ব্লিসফুল ফংবা ইমা অমা ওইনা উই। হোলি মাডরগা লৈমিন্নবা অসিদা ঐহাক স্পিরিচুয়েল ওইনা লৈবা ঙম্মী।"

সরডা দেবীবু হোলি মাডর ওইনা থম্লগসু, নিংলগসু, রামাকৃষ্ণনা মহাকপু ইমুং মন্যুং ফেমিলি করম্না শিন- লাংগনি, লেনগনি, স্পিরিচুয়েল ওইনা লৈগনি হায়বা খুদিংমক তাকপী তশ্বীরম্মী। মসিদসু নত্তনা আত্মা জ্ঞান (Soul/ Brahman) করম্না তানগনি, খঙগনি হায়বনচিংবা খুদিংমক তশ্বীরম্মী। স্পিরিচুয়েল লাইফ অমা ওইবদা তৌগদবা প্রাক্টিস খুদিংমক নুমিৎ খুদিংগী প্রাক্টিস তৌহনখি। প্রাক্টিস তৌবা অসিদগী রামাকৃষ্ণগা চপ্ মান্ননা সরডা দেবীসু য়াম্না শেংবা নুপী Chastity incarnate অমা ওইখি। শ্রীরামাকৃষ্ণনা হায, "থম্বাল লৈনবু শাৎলবদি হয়িংখোই ময়ামশিংনা শোয়দনা থম্বাল লৈদা তোংদুনা লৈহি চুম্বী। নুপা- নুপী অঙাং অহল খাক্তনা, ধর্ম্মগী খেৎনবা লৈতনা স্পিরিচুয়েলগী ওইবা হকচাং পুক্লিং ৱাখল পোত্থাবা ঙম্নবগীদমক্তা ঐঙোন্দা চংজরকই।" রামাকৃষ্ণগী মনাক্তা চংজরকপা মীওই খুদিংমক মহাক্কী ৱাহৈ- ৱাঙাং তাবা অমদি পুন্না লৈমিন্নবা মতমদা ঙমখৈ লৈতনা নুংশিবা infinite love আত্মাগী ওইবা পুক্লিং ৱাখল পোকপা ঙম্মী। মসিনা তাকপদি স্পিরিচুয়েল ওইবা মীওইগা তিন্ন- লোইনরগদি স্পিরিচুয়েল ওইবা ঙম্মী। অদুগা নেগাটিভ সেন্সতা হায়রগনা

ফত্তবা মীওইগা তিন্ন- লোইনবগী ফত্তবা মীওই ওইবকই।

রামাকৃষ্ণনা নহা ওইরিবা মী ওই কয়া অমা স্পিরিচুয়েল মিসনগীদমক তাকপি তম্বীবম্মী। মহাক্না তাকপীবা পবা, স্পিরিচুয়েলগী জ্ঞান ফংলবা নহা ওইরিবা মী ওইশিং কয়ানা মায়াগী ওইবা কল্লক- মিহৌবা, বার্ল্ডলি ওইবা নেচর থাদোকপা, বিননসিয়েসন তৌবা লাইনা ওমখি। রামাকৃষ্ণ মশাগী চহি ৫০ শুবদা যাম্না নৌনা ইংশোক ১৮৮৬ আগষ্টকী তাং ১৬তা নোংগাখি। মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী মর্মাংদা **(রামাকৃষ্ণ মিসন)** রামাকৃষ্ণ মোনাষ্টিক্ট ওডর কৌবা ওর্গনাইজেসন লিংখৎখি। ওর্গনাইজেসন অসিগী Aim and objective (Motto) দি ইশাগী ওইবা নিংতম্বা, অচুম্বা অফবা, পাপ্ চেন্দবা ওইবা ওম্বা অমদি সংসার বার্ল্ড অসিদা লৈরিবা জিব পানবা (মীওইবা যাওনা) খুদিংমকপু ঙাকপি- শেনরিবা হায়রসিনি। ইংলিস্তা হায়রগনা - Motto of Ramakrishna Mission is "for one's own salvation and also for the welfare of the world" রামাকৃষ্ণনা তাকপি তম্বীবম্বা ছাত্রশিংগী মনুংদা যাম্না থৌনা যবা, ডাইনামিক ওইবা ছাত্র অমা ওইরিবা স্বামী ভিভেকানন্দনা রামাকৃষ্ণগী স্পিরিচুয়েল ডোকট্রিন অমদি মেসেজ মালেমগী কোনা খুদিংমক ইন্দিয়া মনুং অমদি মপান লৈবাকশিংদা পাক শন্না শন্দোকখি।

শ্রীরামাকৃষ্ণ তাকপিবম্বা মীওইবগী পুন্সিদা মঙাল পীবা ওম্বা কান্নববা স্পিরিচুয়েলগী ওইবা রাহে পবেংশিং ঃ

ঐখোয়না নুমিদাং অমদি অহিংগী মতমদা অতিয়াদা থবান্মিচাক মযাম অমা য়েংনা উবা ঙম্মী। অদুবু নুমৎ থোকপা মতমদদি নুমিৎকী মঙালদা ঐখোয়গী মিৎনা থবান্মিচাকশিং উবা ঙমদে। মসিনা অযুক অমসুং নুংথিলগী মতমদা অতিয়াদ স্বর্গদা থবান্মিচাকশিং অমত্তা লৈতে হায়বা যাগদ্রা? মীওইবা ঐখোয়না পংশিন্দুনা জ্ঞান যাওদনা, খংনিংবা খিজিনবা লৈত্রগদি ঐখোয়না ঈশ্বর লৈ হায়রসি খংবা ঙম্লোই। ঈশ্বর লৈতে হায়বা যাবোই। ঈশ্বর লৈতে হায়না হায়গনু।

- ঈশ্বর হায়রসিদি মমিং তোঙান- তোঙান্না লৈ, ঈশ্বরগী মওং মতৌসু তোঙান

তোঙান্না লৈ। মরম অসিনা তোঙান- তোঙানবা লম্বীদা ঈশ্বরবু থিবা, খংবা যাই। মরম অসিননি মমিং তোঙান্না, মওং মতৌ তোঙান্না, নহাক্না থাজবা পামজবা মওংদা ঈশ্বর নিংজবগসু ঈশ্বর মহাকপু শোইদনা ফংগনি।

অশেংবা অচুম্বা হায়বদুদি অমখক্তনি। খেৎনবা হায়বদুনা মমিংদা, মওং মতৌদা খেৎনবনি। মসিগী অবাইবা খুদম অমা পিবা যাবদি ঐখোয়গী হকচাংনা থৌবাংদুনা থক্লকবা পোৎশক "ঈশিং" হায়না মমিং থোল্লি অদুগা হিন্দুশিং মুসলিমশিংনা "পানি", অদুগা ইংলিসমেনশিংগী বাহৈদনা "বাটর" হায়না তোঙান তোঙান্না মমিং কৌনৈ। মমিং অতুম অসিনা পোৎশক অমখক্তং তাকই খেৎনবা হায়বদুনা মমিং ওইবাখক্তনি। মসিগা [illegible] মাংনা ঈশ্বর হায়নসু মী ওই [illegible] লেপ [illegible], মখোয় মখোয়গী ওইবদা [illegible] মুসলিমশিংনা ঈশ্বরবু "Allah" ইংলিসমেনশিংনা "God", [illegible]শিংনা ঈশ্বরবু "Brahman (বেদগী [illegible])" [illegible] ঈশ্বর [illegible] তোঙান্না "Kali, Rama Durga, Hari" হায়না অদুগা খ্রীষ্টানশিংনা ঈশ্বরবু "Jesus" হায়না মমিং কৌজনা [illegible] [illegible] হায়নসু [illegible] মওং মতৌ [illegible] [illegible] দর্শন [illegible] [illegible] [illegible] মওং মতৌ [illegible] অদুগা জ্ঞান [illegible] wisdom [illegible] মী ওইবা [illegible] ঈশ্বর। হায়নসু মওং মতৌ [illegible]। ঈশ্বর [illegible] হায়বদি Absolute Knowledge Bliss হায়না

[illegible] মমিং হায়নসিনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] যাম্না [illegible] Dirt [illegible] ওইনা। [illegible] মাংনা ঈশ্বর হায়নসিসু [illegible] [illegible] ঈশ্বরদা [illegible] যাম্না লাপ্না লৈবা [illegible] ঈশ্বরগী অশেংবা মওং [illegible] মরম্না [illegible] মী ওইবনা ঈশ্বরগী অশেংবা মওং, মতৌ [illegible] (Greatness) অদু খংবা ঙম্দে।

[illegible] যোৎ মচা মচা/মতেক মতেক মগাম অমা [illegible] চিংশিনবা ঙম্মী অদুবু যোৎ মচা মচা/মতেক মতেক [illegible] লৈখোম্না

যোমশিল্লগদি যোৎ মচা/মতেক অদ্ যোৎচাবীনা লেংহনবা চিংশিনবা ওম্লোই। যোৎ মচা/মতেক অদুদা পকপা লৈখোম অদু ঈশিংনা নিংথিজনা চামথোক্লগদি যোৎচাবীনা যোৎ মচা/মতেক অদু লেংহনবা চিংশিনবা ওমগনি। মসিগা চপ মান্ননা মীওইবা খুদিংমক ঈশ্বরগী মফমদা লোইনা লাকই। অদুবু মীওইবনা মাযাদা ওাওবিবা মখৈদি ঈশ্বরগী মনাক্তা মফমদা চংশিনবা ওমদে। মসি হাযর্বাদ ঈশ্বরগী মশক মগুণ শক্তি খংবা ওমদে। মীওইবনা পুকচেল শেংনা থবায হকচাং যাওনা ঈশ্বরবু নিংজবা প্রেযাব তৌবা, মাযাগী (অনানবা) ওইবা সংসাব মীওইবগী লীচং শাজৎ হ্যমেন নেচা পুম্নমক থাদোকপা (repentence) তৌবা ওম্নগদি মীওইবনা ঈশ্বরদা লাইনা চংশিনবা/চিংশিনবা (Attraction) ওম্মী।

মীওইবা মপোক ওইনা পোক্ল [illegible] এ [illegible] ঈশ্ব [illegible] শেংবা মগুণ [illegible] ওম্মদে [illegible] সাবগী অচুম্বা (Secret truth) [illegible] হেৎনাদ্রবা, [illegible] চংনবা [illegible] (Attempt) [illegible] মীওইবগী [illegible] পাব [illegible] অদেম্বদা [illegible] পানবা জীবশি [illegible] মপোক [illegible] যম্ম [illegible] ঈশ্বর [illegible] খংবা/ [illegible] পাতাযবাস [illegible] Subjective ওমনি। ঈশ্বরগী [illegible] বা ঈশ্বর [illegible] চবা, [illegible] ওইবা মরুপ মপাং [illegible] ঈশ্বর [illegible] নমাহৎ [illegible] চক্না [illegible], প্রাকি [illegible] ঈশ্বর [illegible] চংপদা [illegible] থখল অচি [illegible] নুমিৎ চুপ্পা মাযাগী [illegible] বান্ডালদেস ওইদুনা লৈরগ [illegible] ঈশ্বরগী [illegible] ওমদে [illegible] মাযাগী [illegible] খল [illegible] অচি [illegible] ফমদা চত্তুনা ঈশ্বরগী অইংবা [illegible] ওইবা বাখল খন্নবা, মোডটেট তৌনাবা ম [illegible] খব খব কাবথোকপা তাই। হোলি ওইবা মরুপ মপাং ত্তিন্না। লোইনাদুনা বাবি বাতাই ঈশ্বরগী মবমদা শান্নবসু [illegible] নু [illegible] ওম্মী মোচ [illegible] সনগী প্রাক্টিস্না পুক্লিং বাখল [illegible] লাকই, মাযাগী কল্লক মা [illegible]। [illegible] পাল্লবোই (Dispassion), [illegible] Devotion লৈগনি। মীওইবগী অবিবা [illegible] লৈবা, অশাওবা, শাথিবা Hatred লৈবিবা মখৈ ঈশ্বরগী

মগুণ Vision ফংবা ঙমদে।

- জহাজনা সমুদ্রাদা চৎপা মতমদা মাগী মাইকৈ খংনবা Magnetic needle শিজিন্নৈ। Magnetic needle না অৱাং (North) মাইকৈ তাক্লুনা লৈ। Magnetic needle না অবাং মাইকৈ তাকপা মবন্না জহাজ মাইকৈ চুন্না চৎপা ঙম্মী, মাইকৈ মাংদে। মসিগা চপ্ মান্ননা মী ওইবনা ঈশ্বরগী লম্বীদা চুন্না চৎলিবা মখৈদি মাযা সংসার অসিদা (Worldliness) মাংবা ঙম্লোই। মাযাগী নাখলদা যাম্না ঙাওবিবা মাযাগী নুংঙাইবা যাম্না পাম্লিবা মখৈদি ঈশ্বরবু মশক খংবা ঙম্লোই। স্কিপচবদা অস্পুম্না ইনি মদুদি লংগী (Thread) মতোন ফাদোক্লিবা মখৈদি যেত্তুম মনাদা (eye of the needle) লেংবা যারোই।

নুপা ওম্মনা উপাস্থী অমগী মথক্তা জিব মচা অমা (নুমিৎযুংবী/Lizard) লৈরা উবম্মী। মহাক্না মহাক্কী মমান্নবশিংদা জিব মচা অদুগী মশক ... মতৌ অঙাংবা মচু ওইবা অদু তম্লম্মী। মমান্নবশিংগী মনক্তগী মমাং না ... অমান... জিব অদু উখ্রে হায়না তম্লম্মী। মমান্নবা অদুনা নখা ... হায়রকই, ... হায়রা কন্ম হায়না অঙাংবা মচু ওইনা জীব অদু ...রগো' ঐনা উখিবা মতমদা অশাংবা মচুগী জিব (নুমিৎযুংবী) ওইনা উ... । মমান্নবশিংগী মনুংদগী অহুমশুবা মমান্নবা অমনাদি জিব ... হঙ্গাম্পাল মচু ওইনা উাং হায়... । মসিশুনা মমান্নবা অমনা জীব অদু ... অমাদি অমুবা মচু ওইনা উখি হায় নকই। নখোয় পুম্নমক জীব অদুগী মচু ওইরগা, মতমদা অমদা ... মচু অদু ওই, অদা ... হায়দুনা যেংনবে মখোয় পুম্নমক জিব অদনা ... টপ শ্বী অদুগী ... লাক্লে। মখোয়... মী হনুবা অমা উপাস্থী অদুগী মখাদা ... দুনা লৈনম্না থেংনবে। মখোয়না যেংনলিবগী মতম খংদুনা মী হনুবা অদনা পাউখুম পীনকই, "ঐ উপাস্থী অসিগী মখাদা তোইনা তোইনা লমদুনা লৈ, পোথাই। ঐনা উপাস্থী ... মথক্তা তোংদুনা লৈবরা জিব অসিগী ... যাম্না মুনা খংঙ, নখোয় পুম্নমক্না হায়নলিবা ঙাংনলিব। জীব অদুগী মচু খাদংমক চুম্মী। জীব (নুমিৎযুংবী) অসি কবিগুম্না মতমদা ঙাংই, কবিগুম্না মতমদা শংঙ, কবিগুম্না মতমদা হঙ্গাম্পাল মচু হংগোক অমনা ওই। জীব অসিগী মমিং

ন্যুমৎযুংগী (মাংগান লান্না), (Chameleon / Lizard কৌই। হায়রিবা ঙিব অসিনা মশানা চৈনা মফম Surrounding এনভাইরোন্মেন্ট অমদি ন্যুমিৎ মঙাল যাম্না কংনা ফংদনা যেৎনবগী মতুংইন্না মচু মখল মখল ওননা ওইদ্রী। মসিগা চপ মান্না। ঈশ্বর হায়বসি মহাক্কী শক্তম মওং মতৌ মগুণ কয়াদা লৈবা ওইদ্রী। ঈশ্বরগী অচুম্বদা যেৎনবগী মফম লৈতে।

উচেক অহল ওইবা তেংবাদা মীবোল ঙা তম্বীবা যাদ্দে মবমদি উচেক তেনবাগী মখম্না ও মরৈ (Throat & tongue) অদু অহল ওইবা চহি যাম্না মবম্না কংশিল্লে (Hardened) চহি নৌবিবা উচেক তেংবাদা মীবোল তম্বীবা যাই। মসিগা চপ মান্না। অহল ওইববা কাব্দা ঈশ্বরগী ওইবা পাক্কি কাংলা লৈত্রা হায়বসি মঙ্গ লই। ঈশ্বরগী ওইবা মচুম্না পুক্কী লম্বীদা চংবা হায়বাসি চহি নৌবিদে অমসুং ওইরিবিগদদা হৌনা যাম্না লাইনা ...

নাহার। ওইন্ববা পাম্লগাদ ভুরেল ... নিংদা ... হায়বা ... চাবা নাই ... ফংগনি। নহাক্কী যাম্না ... ঈশাদা লৈবা যাই। ... ফংগনি। ... চপ মান্না ... পাম্লগী ... মফম থাদোক্তুনা ... লৈবা মফমদা লৈদুনা ... ওইনা মীওই শংগা ... যাই।

[illegible] চৎকে হায়বগাদ ঈশ্বরগী অচুম্বা লম্বী থাব ওনা হায়বা ... পাট তাকলৌগনি। মদনা ভুদনা ... শাশিন্নবা ওনা মযামদগী পাট তাক মযাম অমা লৌবগদি ঈশাদা চম্মুবা Confusion অমা শোগদনা লাক্কনি।

যুম পান্নবা নুপা নুপীনা নচা ১/২ পোক্কবা মতুংদা অশেংবা (hastity অমা ওইনা লৈদুনা ... পবিচুয়েলগা ওইবা পুক্ক অমা ওইনা যাই। মাসনি। যুম পানবা মী ওইত্, ... চুবেলগা লম্বীদা চৎপা যাই হায়বসি। যুম পান্নবা

নুপা নুপী অনিমক্কু অমনা অমবু স্পর্শবচযেলগী লম্বাদা মতেং পাংবা তাই। ঈশ্বরগী ওইবা বাখল, বাতে বাতা, এবক খে বম ভাক্তা পাংথোকপা ভাই।

স্কোলার অমগা হোল ওইব মা অমগা যাম্না খেংবা অমা লৈ নাদ - ইউনিভর্সিটিগী স্কোলার অমগা বাখন্দা মহাক্না নুপা অভাং সনা লপা, মাণমক্তাগী বাখল নমদি কল্লক মীহৌবা লে। অদবু সৈন্যাস মোক্ষ অমগী বাখন্দদি কল্লক মী হৌবা লৈতে, মতম খুদংদা অচৌবা ঈশ্বরগী বাখন্দ লৈ

অনম্বা কা অমা নামিংকি নডাল মৈতম্লগাদ/ মঙাল চংহল্লগা অম্বা বা যদু লেংবা ভর্মান। ম সগা চপ মাম্না নপোব কযা নয়া পাপ লেন্দু লোক্লবা দ ঈশ্বর। অচুম্বা মাইকে হেক পেংলকপা, হেক চলেনা ম ত্তমদা মাশং। চদ্রা পাপাশি অদ খুদক্তা কোকপা হৌই। ঈশ্বরগী [illegible] অহি [illegible] ওইবা [illegible] এখোযগা [illegible] ঈশ্বর [illegible] অদু [illegible] অচুম্বদ [illegible] ধাম্মা [illegible]

হৌজিক [illegible] Kali Yuga [illegible] অযাম্বা [illegible] ওইবনা [illegible] চিঞ্জাক [illegible] চাই [illegible] ওইরা [illegible] ওইবা [illegible] মেনটেনা [illegible] প্রাক্টিস [illegible] মনম অসিনা [illegible] ভোগদবা [illegible] ঈশ্বরগী [illegible] ওইবা [illegible] ঈহৎনা টেম্পটেসন লাকপা মতমদা ঈশ্বরগী মিংথৈ [illegible] কৃষ্ণ কৃষ্ণ রাম রাম [illegible] Allah Allah Allah Jesus Jesus Jesus, [illegible] অদু ভাব হোকপা অযাম্বা ডম্না। ঈশ্বরগী মীংথৈ [illegible]

লৈ Effective ওই। ঈশ্বরগী মীংথৈ শোনবা অসিনা ঈশাদা লৈবম্বা পাপ্‌শিংসু পাইথোকখি।

হায়নবা অমা লৈ মথক থোংবা অহল- লমনশিংনা হায়বা যাথং ইনগদবনি হিকতোকপা ঙম্মে। মসি হায়দুনসু ঈশ্বরগীদমক্তা / অচুম্বগীদমক্তদি মথক থোংবা অহল লমনশিংনা হায়বা যাথং ইন্দবদা কবিমত্তা পাপ চেন্দে। ঈশ্বরগী লম্বীদা / অচুম্বা চৎপদা কবিমত্তা কিনিংঙাই লৈতে। মসিগী খুদমদি রামায়নগী বাবিদা ভোবোতপু নিংথৌ ওইনবা মমা কৈকৈনা হোৎনখি, অদুবু মমা কৈকৈনা হায়বা যাথং মচা ভোবোটনা যাখিদে। ভোবোতনা নিংথৌ ওইবগী তাঞ্জা লৈববা ফা ওবদা মযাম্বা শ্রীরামনা চহি ১৪ বন্দা চৎখিবা অদুবু হল্লকপা ঙাইদুনা লৈখি অদুগা মযাম্বা রাম্ব নিংথৌ ওইহনখি। অদুগা অতোপ্পা খুদম অমনা গোপি নুপিশিংনা মখোয় মখোয়গী নুপাশিংনা হায়বা যাথং "শ্রীকৃষ্ণগা উগানু" হায়বা বাহৈশিং অদু ইনখিদে। গোপিশিংনা শ্রীকৃষ্ণগা বাখলদা অদুমক লৈখি, উখি। অতোপ্পা অদুম শুবা খুদম অমনা, ভক্তা প্রাহলাদনা শ্রীকৃষ্ণবু থম্মোয় শেংনা নিংজাখ। মদুদা মপা নিংথৌনা শ্রীকৃষ্ণ নি গনু হায়দুনা মচা প্রাহলাদদা থকনবা চৈরাক পিখি। ঈশ্বর ভক্তনদা কাম পাদনা তোবান পীখি, মাম্না থিনা ফু- চৈখি। অদুবু ঈশ্বরবু থাগৎনা নিরবা। মপা নিংথৌবু ভাম তৌবা ঙমখি। পৃথিবীগী অচুম্বা লম্বাদা চৎপা ঙম্লগদি ঐখোয় তৌরবা পাপ কোকপা ঙম্মী। ঈশ্বরগী মফমদা চংজবা, দিপোটি ওইনা ঙম্লগদি ঈশ্বরনা ঐখোয়দা মহাক্কী নুংশিব অদু পীনে। ঈশ্বর মহাক্কা ঐখোয়না চৎলবা অবানবা লম্বা হায়সিদগা অচুম্বা লম্বীদা পুরি অচুম্বা লম্বাদগী ঙাননা লম্বীদা পুরি অশিবা লৈনা মফমদগী অহংবা অশিবা লৈ রবা মফমদা পীরি। ঈশ্বরগী থৌজাল মঙ্গোল অদু ঐখোয়দা পীরি হায়মদি মরম পুম্নমক্তা ঐখোযবু খুদোংথিবা কযাদগী ঙাকপি শেনরি।

অহানবদা ঈশ্বরগী অচুম্বা স্পিরিচুয়েল অদু নৈনৌ, খংঙু, মখংদা নিযম চুম্না লম্ঙুম ভানশিল্লু। অবানবা মওংদা থবক তৌগনু। স্পিরিচুয়েল নোলেজ মপুং ফানা খংলবা মতুংদা মী ওইবা ঐখোয়না বার্ল্ডলি লাইফ অমা খুদোংথিবা লৈহনা লেন্নবা হোৎনবা তাই। মসিনা অথ লৈবা নিংবা থুংবা পুন্সি অমা

ওইবা ঙম্মী। রাল্ডলি লাইফ পুব ওইবগদি পুন্সি অর্থ লৈতবা নিংবা কাইবা পুন্সি অমা ওই।

লিন্না জীব কয়া চিক্লগা হাৎলি। লিনগী মহুনা জীব মচাশিং অদু হাৎপা ঙম্বনি। লিনগী মশাদা মযাই কনবা হু অদু যাওজে। মশাদা যা ওর্জবিবা হু অদুনা লিনগী মশাদা শোকহন- শীহনবদি ঙমদে। মসিগা চপ্ মান্নবা "মায়া" (অবানবা/চুমদবা) হাযবসিসু ঈশ্বরনা শেম্বনি। অদুবু মায়ানা ঈশ্বরবুদি শোকহনবা ঙমদে। মায়াগী ওইবা পোৎশকশিংনা সংসার অসিবু অমম্বদা অবানবদা পুবি। মীওইবা ঐখোযনা মায়া সংসার অসিদা পোক্লবনিনা, মায়াদা হিংলবনিনা মায়াগী অবানবা কল্লক মীহৌবা, নাপল কানা, অশা ওবা হকচাং ইন্দ্রিনা মায়াদা হেন্না নুংঙাইথোকপা কয়াশিং অসিদগী ঙাকথোকহৌদ্রগদি চেকশিনহৌদ্রগদি মায়াগী ঈপাক্তা লুপ্লুনা শি। মীওইবনা মায়া সংসারগী ঈপাক্তা তাওদুনা ঈপাক লাল্লিরবনি। মায়াগী মগুণ শেংনা হংহৌদ্রগদি মায়ানা লুপ্পশিন্দুনা খাংঙুথক্তা ঙুন্তানা পুন্সি পন্থুং ফংদনা শি। মায়াগী মগুণ শেংনা খংলগদি মায়াগী ঈপাক খুদোংথিনা লৈতনা লানবা ঙমগনি। মায়া লৈবা ঐখোয মীওইবনা অশেংবা অচুম্বা আত্মা খংনা ঙম্মা মায়া লেপ্রগদি অশেংবা অচুম্বা আত্মা খংবা ঙমদে।

নিয়ম চুমদনা লম্থুম হেন্না তানশিনবগী বাখল, নিয়ম চুমদবা ইন্দ্রিয় সেন্স মোড়গী নুংঙাইবা থাদোকপা ঙম্লগদি Rise and fall লৈতনা নুংঙাইবা Bliss of soul ফংনা ঙম্মা। মীওইবগী অবানবা ফত্তবা পুক্রিং থাদনা শেংদোক্লবা তাঙা অদবু অশেংবা অচুম্বা আত্মা খংনা হায়না কৈ হ।

ঈশ্বরগী লাইবিক খজিক্তা পাবগা, স্ক্রিপচর হাজিক্তা নৈনবগা প্রাক্টিসটি যাওদনা ঈশ্বরগী মরমদা হৈশিং শাদুনা তাক্লিবা মী মদু অথং অহৈ শাবনি। মসিগা চপ মান্নবা খুদম অমদি নিউযোক সিটি অমক্তা চংলুদবা মীনা মেপ্পা যেংলগা নিউযোকসিটিদি অসুম্মা তৌই হাযদুনা পঙতাক্তা তাকপা অদুনি।

মীওইবগী অচুম্বা পুন্সি লম্বী চংপা ঙম্নবা পান্থে খুদিংমক হোলি লাইবিক্তা

তাকই। পন্থুং অদু গৌনবা হোৎনবা ঘবক অদু পাংথোকপা তাই।


হিন্দুগী লাইঠাবক "গীত" গী অর্থদি মায়া সংসারগী ওইবা বাখল থাদোকউ হায়বনি। ইংলিশ্তা হায়বগীদি Gita means renounce (One who has renounced the world for the sake of God)

মী ওইবগী হকচাং শরায়না ঈশ্বরগী নুংঙাইবা অথুপ্পা মহাও (Divine bliss) ফংঙগাদ অমুক হন্থবা পাক্তা লৈবা সংসার মায়া হকচাং তোংশাগী ইন্দ্রি সেন্সর্শী নুংঙাইবা পামদে।
হিং (Boil) পাৎ তুবেন ঈশি গী মখাক্ত তাম্দনা লৈগনি। ঈশিংনা হিংগী [illegible] চংদনা [illegible] হিংগী মনুংগী ঈশিংনা চদনা লৈবগীদি হি অদু লপকনি। [illegible] মায়গী [illegible] লৈবা [illegible] অচুম্ন পান্নি [illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible] Heat [illegible] চুমদে
[illegible]
[illegible]
[illegible] মাইথুং [illegible] মী ওইবা [illegible]
[illegible] শরুদা চাংবা – Pity to them? Pity to creatures? [illegible] মং [illegible] শবদং Service তৌবনা [illegible] (It is not pity to creatures, but service to them in the consciousness that they are verily God Himself) মসি ঈশ্বর [illegible] তৌবনা অচুম্বনি হায়না লৌগনি

Pity to creature হায়না শোল্লিবা lip service মতম পুন্নমক্তা তৌবিবা মী ওই অদু হন্থবা থাক্কী মীওইনি, Service তৌনিংদে হাযবনি।



Sri RamaKrishna
(1836 - 1886)

Chapter - 3

হোলি মাডর শ্রীসরডা দেবী

শ্রীসবডা দেবী, শ্রীবামাকৃষ্ণনা লুহোংদুনা লৌজবা লোইনবি নুপীনি। ডিভোটি লাক্ষ লাক্ষ কযানা শ্রীসবডা দেবীবু হোলি মাডল হাযনা কৌনৈ। হোলি মাডব সবডা দেবী ইংশোক ১৮৫০ ডিসেমভবগী তাং ২২দা জাযাবামবাটি (Jayrambati) কৌবা খুঙ্গং অমগী লাযববা ইমুং অমদা পোকখি। জাযাবামবাটি কৌবা খুঙ্গং অসি বেষ্ট বেঙ্গলগী বানকুবা ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লি। শ্রীসবডা দেবী খুঙ্গং অমদগী হৌবকপা মবম্মা যাম্না চন্মী, যামনা ... লাইনিংদা অমা ওইনা হৌবকখি। মতম অদুদা বেষ্ট বেঙ্গলদা হিন্দুগী চৎনবি (Child Marriage) যাম্না নৌনা অভাং লুহোংলিবা চৎনবন্মী। শ্রীসবডা দেবীগী চহি ৬ মপুং ফাবকপা মতমদা শ্রীবামাকৃষ্ণনা লুহোংদুনা লৌখি। শ্রীসবডা দেবীনা চহি ১৮ শুবা মতমদা শ্রীবামাকৃষ্ণগা পুন্না ইমুং অমা ওইনা লৈমিন্নখি। শ্রীবামাকৃষ্ণনা সবডা দেবীগা পুন্না লৈমিন্নবা মতম খুদিংদা হুমেন কেবেক্টবগী মবমদা নিংথিজনা তাকপি তম্বিখি। হুমেন নেচব খাদোক্লগা ডিভাইন নেচব ওইনগদি ঈশ্বরদা পুবা চংজনা ৬ন্মী হাযবনচিংবা পাবা কযামকম মচা খাইন খাইনা তাকপি তম্বীবন্মী। মী ওইবনা অবাংবা খাক্তা কাখৎকে হাযবগদি ডিভাইন নেচবগী লমচৎ শাজৎ চৎপা তম্মদি ডিভাইন লাইফ অমা ওইনবা হোৎনবগী প্রাক্টিস কযা তাকপি তম্বীবন্মী। বামাকৃষ্ণনা সবডা দেবীবু "ইমা" (Divine Mother) হনা ওইনা ঈবাং লৌনিবন্মী। মহাক্না নুমিৎ খুদিংগী কালি টেম্পলদা ঈবাংপা কালিমাগা মহাক্না লোইনবি সবডা দেবীগা চপ মান্নবা "ইমা" অমখক্তনি হায়না ঈবাংলন্মী। বামাকৃষ্ণনা সবডা দেবীব সংগাপ অসিদা লৈবা ... পুম্নমক্কী "ইমা" হনা

হাযনা লৌরম্মী। অসিগুম্বা মওংশিং অসিদগী সবডা দেবী য়াম্না চম্বা, অশেংবি মমা অমা ওইবগী, নুংশিবগী মগুণ পুম্নমক চেলম্মী। মহাক্না মীপুম খুদিংমকপু মহাক্কী অশেংবা মচা অমা ওইনা নুংশিরম্মী। মরম অসিননি সরডা দেবীবু Holy Mother হাযনা কৌরিবসি। ঈশ্বরবু খুরুমজবা, মীওইবগী সেবা তৌবা, কখোকপনা মহাক্কী পুন্সিগী শরুক অমা ওইখি। মায়া সংসার ব্রার্ণ্ডলি ওইবা পুন্সিদা অৱা অনা কযা থেংনববা, পুক্নিং ৱাখল পোথাফম খংদ্রবা মী ওই কযা অমা মহাক্কী মনাক্তা চংলক্নুনা অৱা অনা কযা কোকখি, শান্তি ফংখি, Eternal peace and Freedom ফংখি। নিংবা থুংদ্রবা, থম্মোয় কায়ববা নুপা নুপী কয়ানা সবডা দেবীগী মশক উবামক্তদা মখোয় মখোয়গী মেন্টেল টেন্সন অদু কোকপা ঙমখি। মহাক্কী নুংশিবা ৱাহৈশিং রিজ্ঞডম তাব- উবদা খম্মোয়গী অনাবা কযা ফহনবা Healing touch ঙম্মী। সবডা দেবীগী পুন্সি অসি যাম্না মপুং ফাবা আইডিযেল ওইবা জ্ঞান, ভক্তি, কার্মাগী মগুণ লৈ। হিন্দু সোসাইটি কলচরদা য়াম্ন। মপুং ফাবা আইডিয়েল ওইবা "ইমা হোলি মাডব অমা হাযবগদি সরডা দেবী নত্তনা লৈতে। সবডা দেবীগী যাম্না তোপ্‌ তোপ্পা মগুণ অমদি মপুং ফাবা লাইনিংবী. মপুং ফাবা মগুণ লৈবা সৈন্যাসিনি, নুংশিগনবি ইমাগী গুণ, অদুগা য়াম্না মপুং ফাবা আইডিয়েল ওইবী ওঝা অমসু ওই। ভাবতকী নুপীশিংগী ওইবা শক্তম মগুণ শক্‌ তাকপী ঙম্বী অমনি হাযনা শ্রীরামাকৃষ্ণনা হায়খি। শ্রীবামাকৃষ্ণনা পুন্সি লোমশ্লবা মতুংদা সবডা দেবীনা কালি টেম্পলগী থবক থৌবম অমদি বামাকৃষ্ণনা স্পিরিচুয়েলগী লাইরিক তাকপি তম্বীবম্বা ছাত্র ছাত্রিশিংবু যেংশিনবগী থবক থৌবম খুদিংমক তৌবম্মী। মসিগী মতুং তাবকপদা মথং মথং চাওখৎলক্নুনা অচৌবা ওর্গানাইজেসন "শ্রীবামাকৃষ্ণ ওডর (Ramakrishna Mission) মহাক্কী লুচিং মখাদা যাম্না চাওনা লিংখৎখি। ইংশোক ১৯২০ জুলাইগী তাং ২০দা কোলকোটাদা তাইবঙপাল খাদোকখি।

শ্রীমাসরডা দেবীনা তাকপিরম্বা মীওইবগী পুন্সিদা মঙাল পীবা ঙম্বা কান্নবা স্পিরিচুয়েলগী ওইবা ৱাহৈ পরেংশিংঃ

- ঐখোযনা মেডিটেসন তৌরবা কান্দা পুক্নিং ৱাখলগী অৱানবশিং অদু শেংদোকপা ঙম্মী। স্পিরিচুয়েল ডিসসিপ্লিনগী মখাদা চৎপা ঙন্নগদি ঈশ্বরগী

থৌজাল ফংবা ঙম্মী। লৈহাও লৈগী মনম ফংগে হায়বগদি লৈহাও পাম্বীগী মনাক্তা চংবা তাই অমদি লৈহাও লৈ খুৎনা পাযবা তাই।

মীওইবা খবদি ঈশ্বরগী ভিজন (ঈশ্বরগী মশক মওং- মতৌ, লম্বী) মখোযনা হিংলিঙৈ মতমদা উবা খংবা ঙমদ্রগসু মখোযনা শিবমদাইগী মিৎকুপ খবদদি শোযদনা খংবা উবা ফংগনি।

ঈশ্বরগী ভিজন উগে হায়বগদি ঐখোযগী ব্রাখল, ব্রাঙাং, থবক খুদিংমক পুকচেল শেংবা অচুম্বা চৎপা ঙম্বা তাই, ঈশ্বরগী মঙ্গোল শোযদনা ফংগনি। ঈশ্বরগী মঙ্গোল থৌজালদি মতম খুদিংদা থরায পানবা জিব খুদিংদা পীবি। ঈশ্বরগী থৌজাল পীযু হাযনা হংনিংঙাই লৈতে। ঈশ্বরগী লম্বী অদুখক্তদা চৎপা ঙম্বা তাই, থৌজাল শোযদনা ফংগনি।

মীওইবগী মপোক্ত' নুংঙাইবা হাযবা লৈতে। সংসাব অসি অরা অনানা পিক থল্লি। নুংঙাইবা হাযবদুদি মমিংতা ওইবা, ঙাইহাক্কী ওইবা পুক্লিং প্রাখলগী ব্রানি। ঈশ্বব তশেংনা নিংলিবা মী মহাক্তমক ঈশ্বরগী থৌজাল ফংঙি হাযবসি মহাক মশাতমক খংজবা ঙম্মী। ঈশ্বরগী থৌজাল ফংবা অদুখক্তদা নুংঙাইজবা খক্তনি।

ভুবেলগী ঈশিং কৈদৌনুংদা মথক্তা চেনখত্তে, মখাদা ঈচেল ওইনা চৌই। তৌইগুম্বসুং নুমিৎকী মঙাল মৈশানা ঈশিংদা যৈবা মতমদা মনিল ওইনা পাইখৎলক্তনা আতযা মথক্তা যৌই। মসিগা চপ মান্ননা মীওইবগী পুক্লিং ব্রাখল অসিসু মতম অযাম্বদা মখা তাবা হস্তবা থাক্তা লৌবা অবানবা থবক হেক্তা তৌই, কাহেনবা ইন্দ্রি সেন্স, অবানবা ওবজেক্টশিংদা হেক্তা নুংঙাইথোক্লিংঙি, চুমদবা লম্বীদা হেক্তা চৎথৈ, অফবা অচুম্বদা বাখৎনিংদে। অদুবু ঈশ্বরবু থাজবা লৈববা, ঈশ্বরগী মঙ্গোল ফংলগদি মীওইবগী পুক্লিং ব্রাখল অসি আইডিযেল ওইবা অচুম্বদা কাখৎহনবা ঙম্মী। ঈশ্বরগী বিল লৈবগদি অচুম্বা লম্বীদা কাখৎনা চৎপা ঙম্মী।

মী খুদিংমক থৌনা লৈগদবনি, মী খুদিংমক থবক তৌগদবনি। ঐখোযনা কবিমত্তা তৌদনা, তন্দুনা লৈথোক্লগদি ফত্তবা অবানবা ঙাক্তা পুক্লিং ব্রাখন্দা চংলকই।

বামাকৃষ্ণগী প্রাক্টিস বিননসিযেসন, স্পিরিচুযেল আইডিযেন চপ্ চানা ঐখোযনা চৎপা ৬প্রগদি অব্রা অনা লৈতবা মপোক ওইগনি, নিংতম্বা ফংগনি। স্বামিজি বিভেকানন্দানা অসুম্না হায অবা অনা লৈবা মপোক্তগী নিংতম্বা ফংবা ঙম্বা হাযবসি সৈন্যাসা অমা ওইদ্রিবা মখৈদি ওইথোক্তে। মদু ওইবগদি যুম পানবা House-holders শিংদি অবা অনাদগী নিং তম্বা ফংলবোইদ্রা? লম্বী অমা লৈতব্রা? বাহং অসিগী পাউখুম শ্রীমাসবড়া দেবীনা পীবি - মস্টর বামাকৃষ্ণ, স্বামি বিভেকানন্দা অনিমক্না হাযবা অনিমক চুম্মি। House-holders শিংনা তৌগদবা মব ওইবদি Internal Renunciation নি। External Renunciation সু মব ওইবা অমনি। বামাকৃষ্ণগী আইডিযেল বিননসিযেসনা অসি লেপ্পা লৈতনা প্রাক্টিস তৌরগদি মনিংতম্বা Liberation শোইদনা ফংগনি মী ওইবা ঐখোযনা যাম্না মক ওইনা খঙ্গদবা অমাদ ঈশ্বরনা অচুম্বনি, অশেংবনি তন্দুনা মাযা বাক্তগী ওইবা লোচব, পোৎশক্লা অবানবনি।

